## খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স ৱেথলিফটিং লীগ

# মিরাবাই চনুনা গোল্ড লৌরবসু অনৌবা নেসনল রেকোর্দ থম্বা ঙমহৌদ্রে

**মিরাবাই স্নেটচতা ফগৎহনবা মথৌ তারি : চীফ নেসনল কোচ বিজয় শর্ম্মা**



নাগ্রোটা বাগ্বান, জুন ১৬ (এজেন্সী): ওলিম্পিক মেদলিষ্ট মিরাবাই চনুনা টোকিও গেমসকী মতুং অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা মহাক্কী কম্পিটিসন খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স ৱেথলিফটিং লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা কেজি ৪৯গী কাঙলূপ্তা লায়না গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে। অদুবু মহাক্কী স্নেটচতা থল্লম্বা নেসনল রেকোর্দ য়ৌনা থাঙ্গৎপদি ঙমখিদ্রে।

টোকিও ওলিম্পিককী সিলভর মেদলিষ্ট মিরাবাইনা পূন্না কেজি ১৯১ থাঙ্গৎতুনা নুপীগী রেঙ্কিং ইভেন্টকী পোদিয়মগী মতোন্দা লেপ্পা ঙমখি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৮৬ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১০৫ থাঙ্গৎখিবনি।

গ্যানেশ্বরী য়াদবনা স্নেটচতা কেজি ৭৮ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৯২ পূন্না কেজি ১৭০ থাঙ্গৎতুনা অনীশুবা অদুগা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপকী কেজি ৪৫ কাঙলূপকী হান্নগী গোল্ড মেদলিষ্ট ঝিলি দালাবেরানা স্নেটচতা কেজি ৭৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৯১ পূন্না কেজি ১৬৬ থাঙ্গৎতুনা তশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

চহী ২৭ শুরবী মিরাবাই চনুনা অহানবা এটেম্পটতা কেজি ৮৬ মায় পাক্না থাঙ্গৎলবা মতুং মহাক্কী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা এটেম্পটতা কেজি ৮৯ থাঙ্গৎপা ঙমখিদবনি।

মিরাবাইগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ২০২০গী নেসনল চেম্পিয়নশিপতা কেজি ৮৮ থাঙ্গৎতুনা নেসনল রেকোর্দ থমখিবনি। মিরাবাইগী স্নেটচ টেক্নিককী অশোনবা অসি খূদুম চন্নবা য়ু এস এগী হান্না ৱেথলিফটর ওইরম্বদগী ফিজিকেল থেরাপিষ্ট অমদি ষ্ট্রেঙ্গ্থ এন্দ কন্দিসনিং কোচ ডা. এরোন হোর্সচিগকা তান্নরি।

অমরোমদা, চীফ নেসনল কোচ বিজয় শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিক্স সিলভর মেদলিষ্ট লিফটরনা মহাক্কী স্নেটচ পর্ফোর্মেন্স অসি কমনৱেল্থ গেমসকী মাংওইননা ফগৎহনবা মথৌ তারি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মিরাবাইগী কম্পিটিসনগী রিদম উবা ফংদে অদুবু টেক্নিকেল ওইনদি মহাক য়াম্না ফরি হায়খি।

# প্রনোয় ইন্দোনেসিয়া ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



জকর্টা, জুন ১৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী পুৱারী ওইহৌরবা থোমাস কপ টাইটল লৌবদা শরুক য়াখিবা হিরো ঐচ এস প্রনোয়না ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর ১০০০ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী ঙা কা লোং অনগসপু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

চহী ৫ টাইটল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাকখিবা চহী ২৯ শুরবা কেরলাগী শান্নরোয় প্রনোয়না মিনট ৪১ চুপ্পা শান্নখিবা সেকেন্দ রাউন্দগী মেটচতা পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা পর্ফোর্মেন্স পীদুনা ঙা লোংবু ২১-১১, ২১-১৮দা মায়থীবা পীখি।

প্রনোয়না ৱর্ল্ড রেঙ্কিং ১২ শুবদা লৈরিবা মশাগী চহী ২৭ খক ঙাইরিবা ঙা লোংবু মায়থীবা পীবা অসি মরিরক শুবনি।

হান্নগী তোপ টেন প্লেয়র প্রনোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্ককী রাসমুস জেমকে নৎত্রগা ফ্রান্সকী ব্রাইস লেভরদেজকা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী প্লেয়র সমির ভর্মা সেকেন্দ রাউন্দ মেটচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৫ মলেসিয়াগী লী জি জিয়াগী মখূৎতা ১০-২১, ১৩-২১দা মায়থীদুনা মহাক্কী কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে।

সমিরনা লীগা ৭লক থেংনখিবদা ঙসিগী মায়থীবা অসি থারগা ৫রক শুবা মায়থীবনি।

ৱিমেন্স দবলস কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী অশ্বিনি পোন্নাপ্পা অমদি এল সিক্কি রেদ্দিগী প্যেরসু চাইনাগী চেন কিং চেন অমদি জিয়া য়ি ফেনগী মখূৎতা ১৬-২১, ১৩-২১দা মায়থীখি।

মেন্স দবলসকী কাঙলূপ্তসু এম আর অর্জুন অমদি দ্রুবা কপিলাগী প্যেরনা চাইনাগী লিয়ু য়ু য়েন অমদি ও ক্বান য়িগী মখূৎতা ১৯-২১, ১৫-২১দা মায়থীখি।

মেন্স সিঙ্গলস কন্টেষ্টতা প্রনোয়না ওপনিং গেমগী অহানবা হাফ ফাওবদি খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা ঙন্না ১১-৩দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু হাফ মতুংদা মহাক্কী অশোয়বা খরা য়াওরকপদগী ঙা লোংনা পোইন্ট খরা লৌবা ঙমখি। প্রনোয়না মখা তানা নীংথিনা স্মুথ ওইনা শান্নদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টবু লায়না ওপন্নিং গেমদা মায়থীবা পীখি।

শান্নবদগী পোত্থারবা মতুং ইন্দিয়া টিমবু অহানবা ওইনা এসাইন তৌরকখিবা হান্নগী কমনৱেল্থ গেমস ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট আর এম ভি গুরুসাইদত্তনা কোচকী চৌক্রিদা ফমদুনা প্রনোয়বু মতেং পাংখিবগা লোয়ননা গেমগী ইন্টর্ভেলগী মতমদা মহাক্কী শান্নরোয়গা ৱারী-ৱাতায় শাখি।

ঙা লোংনা অনীশুবা গেমদা মায় পাক্লবা ইমপ্রুভমেন্ট লৈনা ফজনা শান্নদুনা ৯-৭দা লীদ তৌখি। অদুবু প্রনোয়না ইন্টর্ভেল মতুং মনিংলোমদগী তানখৎলক্তুনা ১৬-১১দা লীদ তৌরবা মতুং ঙা লোংবু মায়থীবা পীখি।

## অন্সম মার্টিয়র্স ট্রোফি ফুটবোল

# ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর (অন্সম)না নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেল অনীগা খূৎশম্ননা শীন্দুনা চান্দেল খৃষ্টিয়ন স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা অহানবা অন্সম মার্টিয়র্স ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি গ্রুপকী লীগ মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা টিম ৮না ইরাই নুমিৎকী ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

অহানবা ক্বার্টরদা অনাল লেলরুল তাংপী অমদি পাওমাই নাগা সিদোংমাই, অনীশুবা ক্বার্টরদা লিয়াংমাই নাগা কাটিমাই রোংদি অমদি তাঙ্খুল কটমনা সকলোং, অহুমশুবদা লমকাং কুর্চুকনাও কুনপুন অমদি থিমজি টিন বুজুর রুখে অমদি অরোইবা ক্বার্টরদা চোথে অথৌরুল ঙৈ অবোম অমদি সির্টি সুরকে (মোন্সাং)না লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ৱাই সোনমনা চনখিবা গোল অনীগী মতেংনা চোথে অথৌরুল ঙৈ অবোমনা মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

সোনমগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি। মাও টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লোর্হিনা শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা থিমজি টিন বুজুরনা রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। দিনপার অমদি ক্লেভরসননা থিমজিগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা অয়ূক শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা তাঙ্খুল কটমনাও সকলোংনা ওল ইনপুই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে। তাঙ্খুল কটমনাওগী গোলশিং অদু য়ামি লোংবা অমদি পৈমিঙম মুইনাওনা ২/২ অদুগা থাংবা রগুই অমদি চানসো হোরামনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

গ্রুপ বিগী অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা লমকাং কুর্চুকনাও কুনপুননা মরালুই কারালিমৈ সুইজোইকাংবু টাই ব্রেকতা ৯-৮দা মায়থীবা পীখ্রে। টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা স্কোর ৩-৩দা দ্রো ওইখি। লমকাংগী গোলশিং অদুনা রেংহোংনা ২ অমদি আর্মষ্ট্রোংনা ১ চনখি। মরালুইগী গোলশিং অদুনা ইমান্যুএল, লুংশিবা অমদি দোইবিবানা চনখি।

## এম এন সী এ এলিট

# ট্রাও ক্বাকৈথেলনা রেস নাগামপালবু মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দব্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্বাকৈথেলনা রেস খ্বাই নাগামপাল লামাবম লৈকাইবু রন ৬০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ট্রাও ক্বাকৈথেলনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৪ শান্নবদা ৪মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা গ্রুপ এ টেবলগী মকোক্তা লৈরি। রেস নাগামপালনা মেটচ ৩ শান্নখিবদা অহুম্মক মায়থীদুনা টেবলগী ইরোয় লোয়বদা লৈরি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ট্রাওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৭৭ লৌবা ঙমখি।

ওপনর পুখ্রম্বম প্রফুলোমণিনা বোল ৪৯দা রন ৪০ লৌবা ঙমখি। প্রিয়োজিৎ কাঙবমনা বোল ৬৮দা থুনা য়াঙনা রন ৮৭ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখি। বিশ্বরজিৎ নোংমাইথেমনা বোল ৩০দা রন ২১ অদুগা বোরিশ খোমদ্রামনা আউট ওইদনা বোল ৮দা রন ১০ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা নাগামপালগী বোলর অলফ্রেদ মারনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৪ অদুগা কিরন লাইশ্রম অমদি য়ুমখাম রোমারিও রোইনা চপ মান্নবা ওভর লংবদা ৱিকেট ২ অমদি ১ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা নাগামপালগী বেটসমেনশিংবু ট্রাওগী বোলরনা অপীবা ওভর লোইগদবা বোল ৯ ৱাৎলিঙৈ ৱিকেট লোইনা লৌদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১১৭ লৌদুনা ক্বাকৈথেল টিমগী মখূৎতা রন ৬০দা মায়থীখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী নাগামপাল টিমগী বেটিং তৌবদা কিরন লাইশ্রমনা বোল ২৯দা রন ২৭, মিন্টু চন্দ্রনা বোল ৫৪দা রন ২৮ অমদি য়ুমখাম রোমারিও রোইনা বোল ২৩দা রন ২১ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা ক্বাকৈথেলগী বোলর বিজেন কুমার নোংমাইথেমনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৪, অমৃতকারন য়ুম্নামনা ওভর ৩.৩ লংবদা ৱিকেট ৩, অনন্দনাওরেমনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি প্রিয়োজিৎ কাঙবমনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখিবনি।

লোইশিল্লকপদা, ট্রাও ক্বাকৈথেলগী ওলরাউন্দর প্রিয়োজিৎ কাঙবমনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা বোল ৬৮দা রন ৮৭ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৪ বোলিং তৌবদা ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা গ্রুপ বিগী চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লি অমদি দব্লিয়ু ৱাই সী থৌবাল ৱাংখেম অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# মুইএ থাই টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ মুইএ থাই এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা মধ্য প্রদেশ মুইএ থাই এসোসিএসননা শীন্দুনা মধ্য প্রদেশকী দেৱারদা লৈবা টুকোজি রাও পৱার ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৬তগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী নুপা শান্নরোয় ২১, নুপী ৬ অমদি ওফিসল ২ পূন্না মীওই ২৯না শাবা টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসি অয়েকপম শঙ্করনা টিম কোচ অমদি থোই চনু খুন্দ্রাকপমনা রেফরি ওইনা লুচিংখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড মেদল লৌরক্লবা চহী ১৮ মখাগী শান্নরোয়শিংনা চহী অসিগী ওগষ্ট ১২দগী ১৭ ফাওবা মলেসিয়াগী কুৱালা লুম্পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ ৱর্ল্ড মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্টরনেসনল প্রো মুইএ থাই ফাইটর ২০ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২৮দগী লাকপা ফাইটর ৮৫০ অমদি ওফিসল ওইনা রেফরি অমদি জজ ৮০না শরুক য়ারি।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী চহী ১০-১২ গী কাঙলূপ্তা মালেমঙানবা খুন্দ্রাকপম (কেজি ৩১), মুতুম ধনিশ (৩৩), এন লিগার্দসন মঙাং (৪৩); চহী ১২-১৪দা কে ঐচ লাকশিনঙম্বা (৫৩), কে ঐচ সনাথোই (৫৭), কে গিরনকুমার মৈতৈ (৫৯); চহী ১৪-১৬তা থোকচোম বিরজিৎ (৪৯), বেরেমরোন শাচুই (৫০), পেবম কিষন (৫২), এস তোপ্পরঙানবা মৈতৈ (৫৫); চহী ১৬-১৮দা খুন্দ্রাকপম ষ্টেলিন (৪৬), খুমুকচম বিকাশ (৫২), হঞ্জবম অশাজিৎ (৬১) অমদি খুন্দ্রাকপম রোদ্রিক (৭৭)নি। নুপীমচাগী চহী ১৬-১৮দা ঙাঙোম রামেশ্বরী (৪৬) অমদি অহোংশাংবম এলিনা (৬০)নি।

সিনিয়র নুপাগীদা লাইশ্রম কাংজম্বা (৫৮), সগোলশেম মোরাম্বা (৬১) অমদি থোঙাম নিও মৈতৈ (৬৫) অদুগা নুপীগীদা লনচেনবী খুন্দ্রাকপম (৪৬), ব্রহ্মচারিময়ুম তম্ফাসনা (৪৯) অমদি জেনিস্তা নিংঙোম্বম (৫৫)নি। এলিট নুপাগীদা গোলমৈ মরেমপু (৫০), ননাও গোলমৈ (৫৩), লাইশ্রম বিদ্যাচন্দ্র (৫৮), অশেম তোন্দানবা (৬১) অদুগা নুপীগীদা ৱাংখেম রিয়োনা চনু (৫২)নি।

## ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ফুটবোল

# য়ু ভি এস এ অমদি এফ সী ইম্ফাল ফাইনেলদা থেংনরগনি




ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা চথরিবা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি সেমীফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ভেটরান স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু ভি এস এ) লিলোং চজিং অমদি ফুটবোল ক্লব ইম্ফাল ময়াই কোইবী অনীনা থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ২.৩০দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংনা সোক্কর ভেটরান এসোসিএসন (এস ভি এ) খোংজেম কৈরকপু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল চন্নবা ঙমদনা লাকখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই এস ভি এগী দিফেন্দরনা ফোল অমা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা তৌরুবদগী রেফরি এ শাফবনা চজিং টিমগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

স্পোট কিক্ অদু এন ইতোচানা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা সোরা টিমবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

মখা তানা টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী লিলোং টিমনা সোরা টিমবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা সী ঐচ পানমৈ অমদি এল রাজানা এসিষ্টেন্ট রেফরি ১ অমসুং ২, এন মহেশনা ফোর্থ ওফিসল অদুগা এস জেমসকুমারনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্ট এসোসিএসননা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): রিং ফাইট ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা টামিল নাদু রিং ফাইট এসোসিএসননা শীন্দুনা ৬শুবা নেসনল রিং ফাইট চেম্পিয়নশিপ ২০২২ টামিল নাদুগী অরাককোনম রানিপেটতা লৈবা টাউন হোল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চহী অসিগী জুলাই ২২দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কৈশাম জয়প্রকাশ মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা চেম্পিয়নশিপ অসি কেটগোরি অনী- এমেচর অমদি প্রোফেসনেল হায়না পাঙথোক্কনি। এমেচরগী ওইনা অমুক কেটগোরি ৪- চহী ১২ মখা, চহী ১৪ মখা, চহী ১৯ মখা অমদি চহী ১৯ মথক হায়না খায়দোক্কনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর টিমদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী পাসপোর্ট সাইজ ফোটো ২, আধার কার্দ জেরোক্স কোপী অমদি মেদিকেল ফিটনেস সর্টিফিকেট থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা খুরাই পুথিবা লৈকাইদা লৈবা এম এ এম এ ওফিসতা পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।




HL-B/7610/8-22



HL-B/7641/12/5-9/7

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 486**

**FM K Niemi (2297) - Jere Huovinen (2277)**
**TCh-FIN 2020-22 Finland FIN, 2021.10.16**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 d5 | 3.exd5 Bd6 | 4.d4 e4 |
| 5.Ne5 Nf6 | 6.Bb5+ c6 | 7.dxc6 bxc6 | 8.Be2 O-O |
| 9.O-O Qc7 | 10.f4 exf3 | 11.Bxf3 Nbd7 | 12.Bf4 Rb8 |
| 13.Nxd7 Bxf4 | 14.Nxf6+ gxf6 | 15.g3 Be3+ | 16.Kh1 Rxb2 |
| 17.Qd3 Bg5 | 18.Nc3 f5 | 19.Na4 Rb5 | 20.c4 Rb4 |
| 21.Nc5 Rd8 | 22.Qc3 Rb8 | 23.Rad1 Bf6 | 24.Rfe1 Qd6 |
| 25.Nb3 Be6 | 26.Qc1 Rb4 | 27.d5 cxd5 | 28.cxd5 Bd7 |
| 29.Na5 Rc8 | 30.Nc6 f4 | 31.g4 Rb2 | 32. ... |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 485 Ans. :**

10. Bxf7+ The white bishop clears the way for White's queen to the square c4. The white bishop captures Black's pawn, which was defending square e6. Kxf7 11. Ne6 The white knight decoys Black's king. Kxe6 12. Qc4+ d5 13. Nxd5 Nxd5 14. Qxd5+ Kf6 15. Qf5# Swallow's tail mate
10. Bxf7+ Kxf7 11. Ne6 Kxe6 12. Qc4+ d5 13. Nxd5 Kf7 14. Nf4+ Kf8 15. Ng6#
1-0

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation. Case No. 348/AS&SO/TBL Dated:- 10/06/022**

1. Choudrimayum Keinahanbi Devi W/o (L) Ch. Sharat Sharma of Kiyam Siphai.
2. Archana Choudrimayum D/o (L) Sharat Sharma of Kiyam Siphai. -Applicants

-Vs-

(L) Choudrimayum Sharat Sharma S/o (L) Manihar Sharma of Kiyam Siphai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯅ / **NOTICE**
16/06/022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ৭২২, ৯২৭, ৭৪৫, ৭৫২, ৮১৮, ৭২৯, ৭২২ (অরিবা), ৮৭৬/১১৭০ (অনৌবা), দাগ নং ১১০৮, এরিয়া .১৩৭০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাটাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিশিং অসিদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চেদা হাপ্লকপা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- M.Ningthembi Singh**
**Asst. Survey & Settlement Officer**
**Thoubal**

HL-P/3098/17

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref :- Mutation Case No. 433/AS&SO VIII/K.**
**8-6-22**

(1) Naorem Ashakumar Singh S/o (L) Shamu Singh of Kakching Khunyai Leikai.
(2) Naorem Kamalkumar Singh S/o N. Ashakumar Singh of do. -Petitioners

-Vs-

Naorem Shamu Singh S/o. (L) N. Yaima Singh of Kakching Wairi. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯅ / **NOTICE**
Dated :13-6-22

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ... তহশিল খুল নং ৫৯-ককচিং খুলেন পাট্টা নং ৪৪৬ (অরিবা), ৭১৮ অনৌবা দাগ নং ১৬৮৪ এরিয়া ১.২৮ (একর) ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার নাওরেম শামু সিংহ পীং মৃ: য়াইমা সিংহ সাং ককচিং ৱাইরি অসি মৃ: ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপিরগা Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching

HL-P/3084/17

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com